# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,FRIDAY, MARCH 17, 2017 **PAGE 7**




*ঝরখন্দগী সহর রাঞ্চিদা ইন্দিয়াগা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা আউত ওইদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা স্টিবন স্মিথনা নর ১১৭ লৌখিবা*

*মতম শাংনা ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন দবলসকী শান্নরোই অমা ওইনা মালেমগী টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা মশক-মমিং থল্লা ঙমখ্রবা মতুং সাইগী গভর্নিং বোদিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রবী জ্বালা গুপ্তা*



## ৭শুবা আমজু জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ক্রিকেটতা পোক্লফম্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*৭শুবা আমজু এন্যুয়েল স্পোর্টস মিটকী ক্রিকেট মশান্নদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা পোক্লফম পাউ-চেগী শান্নরোইশিং*

*ইম্ফাল,মার্চ ১৫ঃ*

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না শিন্দুনা চথরকখিবা ৭শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা পাংথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা চথখিবা অরোইবা মশান্নগী ওইবা অরোইবা ক্রিকেট মেটচতা ওভর ৮ শান্নরোইশিং পাউ-চে অসিগী শরুক য়াখি। অরোইবা ওইনা চথখিবা অমজুগী স্পোর্টস মিট অসিগী ক্রিকেট মেটচকী অহানবা মেটচতা সঙাই অমদি মেদিয়া ১১ শান্নখি। মশান্না অদুদা সঙাইনা মেদিয়া ১১ বু মায়থিবা পীখি। মদুগী মতুং আই এস টি ভি অমদি পোক্লফম শান্নবদা আই এস টি ভি না মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতা সনালৈবাক অমদি ইম্পেক্ট টি ভি শান্নবদা ইম্পেক্ট টি ভি সনালৈবাকপু য়াম্না মওংদা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অরোইবা ক্রিকেট ফাইনেল মেটচতা পোক্লফম অমদি আই এস টি ভি শান্নবদা পোক্লফম্না আই এস টি ভি মায়থিবা পীদুনা ঙসিগী অমজুগী ৭লক শুবা য়াওশঙ স্পোর্টস মিট অসিগী ক্রিকেট মেটচতা পোক্লফম্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নিংশিংবা য়াবদি ৭লক শুবা অমজুগী স্পোর্টর্স মিট অসিদা পাউ-চে অসিগী ওইনা মমাংদা মেডল ৪ লৌখিবা লৈখ্রবা ঙসিগী ক্রিকেট মেটচ অসিদা ইম্পেক্ট টি ভিগা মশান্না অসিদা সনালৈবাক্না হান্না বেট্টিং তৌখিবদা রন ৩৯ লৌরগা তার্গেটতা ৪০ থমখি মদুদা ইম্পেক্ট টি ভি না পাউ-চে অসিবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

চথরিবা অমজুগী ৭লক শুবা স্পোর্টস মিট অসিগী অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরম অসিগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদি অমজুনা মতম অমদা লেপ্পকপা মতমদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

ঙসি শান্নখিবা ইম্পেক্ট টি ভি অমদি পাউ-চে অসিগী ক্রিকেট মেটচ অদুদা পাউ-চে অসিগী শান্নরোই তরুং সেন্না খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা শান্নরোই ওইখি।

শান্নরিবা ক্রিকেট মেটচ অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুদা পোক্লফম অমদি আই এস টি ভি গী ওভর ৮ শান্নখিবা মেটচ অদুদা পোক্লফম্না ওভর ৭ তা আই এস টি ভি মায়থিবা পীখিবনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি আমজুনা শীন্দুনা চথরিবা ৭লক শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট অসিদা পাউ-চে অসিগী ওইনা টেবল টেন্নিস মশান্নদা তখেলম্বম লেনিন্দ্রো মঙাঙনা অনীশুবা পোজিসন, সুর মৈতৈনা অহুমশুবা পোজিসন, চেছকী মশান্নদা লাইশ্রম বিমোলচান্দনা অহানবা অমদি সলাম হেমচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন ফঙদুনা পাউ-চে অসিগী ওইনা মেডল ৪ লৌবা ঙমখি।



*আমজুনা শীন্না চহিগী শান্নবগী কম্পিটিসনগী অরোইবা নুমিৎতা ক্রিকেট মশান্নদা শরুক য়াখিবা সনালৈবাক্কী শান্নরোইশিং*

### ৬শুবা কংলৈপাক মেগা স্পোর্টস মিট ২০১৭ লোইশিনখ্রে

## ফুটবোলদা আই দব্লিয়ু দি এফ এ অমদি সুকনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ঃ কাংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শিন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা নুমিৎ ৬ চুপ্পনা চথরকখিবা ৬শুবা কংলৈপাক মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৭ ঙসি লোয়শিনখ্রে। স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না চথরকখিবা মশান্নশিংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে। ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা ৬শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি (অন্দর সেভেন্তিন বোইজ)দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না অমদি ৫শুবা জে এস সি সি ফুটবোল ট্রোফি ২০১৭দনা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

কে এস এন শিন্দুনা চথরকখিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অদু লোয়শিনবগী থৌরম অমা ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা জেনিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসর দেবেন লাইশ্রম্না অথোইবা মীথুং, কে এস এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম লক্ষমননা থৌরমপু অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন ওফ ষ্টুদেন্ট ৱেলফিয়ার প্রোফেসর কে ঐচ তোম্বনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা কাং, চৈবী য়েন দম্মবা, থাং-তা, মরাথোন রেস অমদি ফুটবোল মশান্নশিংদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা শেল য়াওবা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

মনা মথুমশিং অদু য়েন্থোক্ত্রিঙৈ মমাংদা শান্নখিবা ৫শুবা ইন্টর জে এস সি সি ফুটবোল ট্রোফি ২০১৭গী ফাইনেল মেটচ ওইনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ) অমদি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) অনিনা লম্বা তৌনখি। মদুদা কে এস এবু সুক্না পানজল ২-০দা মাইথিবা পিদুনা ৱিন্নর ওইখি। সুককী মাই পাকপগী গোলশিং অদু তিম অসিগী জর্সি নুঃ ১৪না মেটচ অসিগী অপিবা মতমগী মনুংদা মিনিট ৪৭তা অহানবা অমসুং জর্সি নুঃ১০না মিনিট ৫৯দা অনিশুবা গোল চনখি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা অনিশুবা ওইনা শান্নখিবা ৬শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি (অন্দর ১৭ বোইজ)গী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই ই দি এফ এ) অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) অনিনা লম্বা তৌনখি। মদুদা আই ই দি এফ এবু আই দব্লিয়ু দি এফ এনা ৩-০দা মাইথিবা পিদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মাই পাকপগী গোলশিং অদু তিম অসিগী জর্সি নুঃ টি ঐচ কিষননা মিনিট ৭তা অহানবা গোল চনখি। অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল অদুনা জর্সি নুঃ ৭ এন রোসননা মিনিট ২৬ অমদি ৩৬দা চনখিবনি।

স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অদু লোয়শিনবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা কে এস এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম লক্ষমননা হায়খিবদা, য়াওশংকুম্মৈনা নুমিৎ ৫নি মতম মাংহনবগা লোয়ননা নহারোলশিংগী মরুওইনা মহৈরোইশিংগী মোরেল মাংথরকপা কুম্মৈ অসিগী নমাদা চথনরিবা অসিদগী নাথৈহন্দুনা মতিং লৈবা তিনজং-কাইজংদবা খুনাই অমগীদমক শান্না-খোৎনবনা অহোংবা অমা পুরক্কবা 'স্পোর্টস ফোর এ চেনজ' হায়বা থিমদা মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা হন্দক পাংথোক্লিবা মশান্নশিং অসিদগী অহেনবা নাৎকী মশান্নশিং মথং চহিদগী হাপচিন্দুনা পাংথোক্লবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না মখাতানা ফোংদোকখি।







